


# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, TUESDAY, OCTOBER 30, 2018 PAGE 7


*স্বিটজরলেন্দদা পাঙথোকপা বাসেল ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবা লৈবাক অসিমক্কী শান্নরোই রোজর ফেদরর*

*মেক্সিকান গ্রান্দ প্রিদা মরিশুবা পোজিসন তাদুনা ফোরমুলা ৱানগী ৫শুবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা মারসিদিজ দ্রাইবর বৃটেনগী লেৱিস হেমিল্টন*

## নোংনা মরম ওইরগা ফাইনেল শান্নখিদবদগী ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টাননা মেন্স এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী জোইন্ট ৱিন্নর ওইখ্রে



মেন্স এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিগী জোইন্ট ৱিন্নর ওইখ্রবা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টানগী শান্নরোইশিংনা ট্রোফি লৌবা

*মুস্কাট, ওক্টোবর ২৯ঃ*

ওমাননা যুম্বু ওইরগা থা অসিগী ১৮ দগী চথরকপা মেন্স এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিগী ফাইনেল শান্নগদবা অদু নোংনা মরম ওইরগা শান্নবা য়াখিবদগী ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টাননা জোইন্ট ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা ওমানগী কোনুং মুস্কাটতা লৈবা সুল্টান কাবুস স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টাননা শান্নগদবা ফাইনেল মেটচ অদু নুংথিলদগী নোং লেপ্তুনা চুখিবদগী ফিল্ড অদু শোকখিবা মরম্না শান্নবা য়াখিদবনি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়ানা মেন্স এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি অসিগী সেমি ফাইনেলদা জপানবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙলকপনি। অমরোমদা ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী লম্বা ওইখিবা পাকিস্টাননা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা মালেসিয়াবু অপীবা মতমগী মনুংদা পাঞ্জল ২–২ দা মান্নদুনা লৈখিবদগী পেনাল্টি সুট আউট তৌনরকপদা পাকিস্টাননা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইরল্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী রাউন্দ রোবিন মেটচতা ইন্দিয়ানা মেটচ ৫ শান্নবদা মেটচ ৪ মায় পাকপা অমদি মেটচ অমা দ্রো চৎলগা পুন্না পোইন্ট ১৩ ফংলগা মকোক ওইদুনা সেমি ফাইনেল চঙলকপনি।

নাকল অমরোমদা পাকিস্টানগী টিম রাউন্দ রোবিনগী মেটচ ৫ শান্নখিবা মেটচ ৩ মায় পাকপা অমদি মেটচ অমমম দ্রো অমদি মায়থিবা নংদুনা অনীশুবা পোজিসন তারগা মখোয়সু সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙল্লকপনি।

মেন্স এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা রাউন্দ রোবিন মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা পাকিস্টানবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

মেন্স এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি অসিগী রেকোর্দ য়েংনরুবদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টান টাইটল অনীরক। অনীরক লৌবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা টাইটল অদু চেম্পিয়ন্স ট্রোফি অসিগী হৌদোকপা কুমজা ২০১১ দা অহানবা ওইনা ফংখি। অদুনা অনীশুবা টাইটল অদুনা মমাঙগী ইদিসন কুমজা ২০১৬ তা ওইখি।

পাকিস্টাননা মেন্স এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি অসিগী কুমজা ২০১২ গী ইদিসনদা অহানবা ওইনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা ঙমখি। চহী অসিদা ইন্দিয়া রন্নর্স অপ তাহৌবনি। মখোয়গী অনীশুবা টাইটল অদুনা কুমজা ২০১৩ দা লৌবা ঙমখি।

## জপানগী অকানে য়ামাগুচি অমসুং চাইনাগী চেন লোংনা ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে



নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন জপানগী য়ামাগুচি (ময়ায়), রন্নর্স অপ টাই ঝু য়িং (ওই) অমদি নুপাগী চেম্পিয়ন সি য়ুকি

*পেরিস, ওক্টোবর ২৯ঃ*

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা থা অসিগী ২৩ দগী চথরকপা য়ুএস দোলর ৭৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টনদা জপানগী অকানে য়ামাগুচি অমসুং চাইনাগী চেন লোংনা নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটলশিং লৌখ্রে।

ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা নম্বর টু সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংবু গেম ২–১ দা থোইরল্লগা টাইটল লৌখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম শান্নরোই অনীমক্কী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্লরকখিবদগী পোইন্ট ২০–২০ দা মান্নদুনা লৈখ্রবা মতুং থংনবা পোইন্ট অনী জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা লৌখিবদগী ২২–২০ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা শোথরবা চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা অনীশুবা গেম অদুদা কন্না হোৎনরক্লুনা জপানগী য়ামাগুচিবু ২১–১৭ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু গেম অমমম মান্নখি।

দিসাইদিং গেমদা জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা য়াম্না ফজবা হেনখিবদগী চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংবু ইৱা ৱাদনা ২১–১৩ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা নম্বর টু সিদেদ চাইনাগী সি য়ুকিনা ৬শুবা সিদেদ অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোই চেন লোংবু স্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরল্লগা টাইটল লৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেমদা সি য়ুকিনা চেন লোংবু ২১–১৭ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা শান্নরোই অনীমক লম্বা মান্ননা শান্নরক্লবসু লোইশিল্লকপদা সি য়ুকিনা ফজবা হেনখিবদগী গেম অদু য়াম্না নক্লবা স্কোরদা ২১–১৯ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা চাইনাগী পেয়র হান চেংকাই অমসুং ঝৌ হাওদোংনা নম্বর ৱান পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী মার্কস ফর্নাল্ডি গিদিওন অমসুং কেভিন সঞ্জয়া সুকামুলজোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ২৩–২১, ৮–২১, ২১–১০ দা থোইরল্লগা কাঙলুপ অসিগী টাইটল লৌখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৫শুবা সিদেদ জপানগী পেয়র মায়ু মাটসুটোমো অমসুং ৱাকানা নাগাহারানা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র গাব্রিয়েলা ষ্টোইভা অমসুং ষ্টেফানি ষ্টোইভাবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৪, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরল্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র চাইনাগী ঝেং সিৱৈ অমসুং হুৱাং য়াকিওংনা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র সিও সিয়ুং জে অমসুং চে য়ু জুংবু ষ্ট্রেট গেমদা ২১–১৯, ২১–১৪ দা থোইরল্লগা টাইটল লৌখি।

### ইন্দিয়াগী য়ু–১৫ টিম সাফ চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*কাঠমান্দু, ওক্টোবর ২৯ঃ*

নেপালনা যুম্বু ওইদুনা চথরিবা য়ু–১৫ সাফ চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী চহী ১৫ মখাগী নুপা ফুটবোল টিম্না ভুটানবু পাঞ্জল ৪–০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

মেটচ অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সুভো পোলনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা মহাক্না অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৬ (সুভো পোল), ৮৩ (সুবা কুসাং) অমসুং ৮৯ (অমান) না চন্দুনা মেটচ অদু ভুটানবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

## রুশিয়াগী মেদভেদেভ অমসুং স্পেনগী বোটিষ্টা রোলেক্স পেরিস মাষ্টর্সকী নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*পেরিস, ওক্টোবর ২৯ঃ*

ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা ঙসিগী হৌখিবা রোলেক্স পেরিস মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্লুনা রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভ অমসুং স্পেনগী বোটিষ্টা আগুট অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা সর্ভিয়াগী এফ ক্রাজিনোভিসপু ৭–৫, ৬–২ দা থোইরল্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ১২শুবা সিদেদ শান্নরোই বৃটেনগী কাইল এদমুন্দগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেনগী বোটিষ্টা আগুটনা য়ুএসএগী এস জোনসনবু ৬–৪, ৭–৬(৭–২) দা থোইরল্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ৯শুবা সিদেদ শান্নরোই বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভকা শান্নরগনি।

জর্মনিগী ফিলিপ কোলস্ক্রেবরনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নেদরলেন্দসকী রোবিন হেসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৬–৭(৪–৭), ৬–৪, ৬–২ দা থোইরল্লগা অনীশুবা রাউন্দদা নম্বর টু সিদেদ ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক্কা শান্নরগনি।

বোসনিয়া এন্দ হর্জেগোবিনাগী শান্নরোই জুমহুর অমসুং পোর্টুগালগী জে সৌজাসু মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্লুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

রোলেক্স পেরিস মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী এ মনারিনোনা অতোপ্পা ফ্রান্সকী শান্নরোই য়ু হমবর্ট পু ৬–৪, ৬–২ দা থোইরল্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ১০শুবা সিদেদ জপানাগী কৈ নিসিকোরিগা শান্নরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা

### ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯

## জমসেদপুর অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্স পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে



কেরলাগী শান্নরোই সিকে ভিনিথ (ওই) না ইক্বেলাইজর চল্লবা মতুং টিমমেটকা হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা

*জমসেদপুর, ওক্টোবর ২৯ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা জমসেদপুর অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্স পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে।

জমসেদপুরদা লৈবা জেআরদি টাটা স্পোর্টস কমপ্লেক্স ষ্টেদিয়মদা যুম্বু ওইখিবা জমসেদপুর অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্সনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী জমসেদপুরনা খুদুম চন্দুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা জমসেদপুরগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম কাহিলনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা শোথদুনা লৈরিবা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা ফনা কন্না হোৎনদুনা শান্নরকখ্রবসু জমসেদপুরগী দিফেন্দরশিংনা ফজবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা জমসেদপুরগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা মাইকেল সুসাইরাজনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেল্লবা মতুং মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। শান্নবগী ৭১শুবা মিনটতা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা স্লাভিসা ষ্টোজানোভিসনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮৬শুবা মিনটতা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সিকে ভিনিথনা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু টিম অনীমক পাঞ্জল ২–২ দা মান্নরগা পোইন্ট অমমম য়েন্নরগা লোইশিনখি।

ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং শান্নগদবা লীগ মেটচ অমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসি অমসুং দিল্লি দাইনামোস শান্নরগনি।

## ৪শুবা ৱান দে মেটচতা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু রন ২২৪ দা মায়থিবা পীখ্রে



সেঞ্চুরি লৌদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজবু চাওনা মায় পাকহনবদা মতেং পাঙখিবা ইন্দিয়াগী বেটসমেন রোহিট শর্ম্ম অমদি রায়ুদু

*মুম্বাই, ওক্টোবর ২৯ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা শান্নরিবা ক্রিকেট টুর অসিগী মনুংচন্না ঙসি মুম্বাইদা শান্নখিবা ৪শুবা ৱান দে মেটচতা ইন্দিয়াগী বেটসমেন রোহিট শর্ম্ম অমসুং অম্বাতি রায়ুদুগী সেঞ্চুরিনা মপুং ওইরগা ৱেষ্ট ইন্দিজবু য়াম্না হেনবা মওংদা রন ২২৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা ৱান দে মেটচ অসিগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকপদা ওভর ৫০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ৩৭৭ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌবদগী হৌনা ফিভম ফজখি। স্কোর বোর্দতা রন ৭১শুবা শুরকপদা ওপন সিখর ধৱন রন ৩৮ লৌরল্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা টিম অসিগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি পার্ফেমেন্স ফজনা পীবা ঙমদনা রন ১৬ লৌরল্লগা আওট ওইখি।

৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা অম্বাতি রায়ুদুনা রন ৫০ লাম্ছোকপা ঙমখ্রবা অতোপ্পা ওপন রোহিট শর্ম্মগা লোয়ননা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু রন ৩০০ লাম্ছোকহনবা ঙমখি।

ওপনর রোহিট শর্ম্ম বোল ১৩৭ মায়োক্লবদা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ২০ য়ৈরল্লগা রন ১৬২ দা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ৩১২ য়ৌরকপদা ৩শুবা বেটসমেন তুখি।

৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা অম্বাতি রায়ুদুসু ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোল্লরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমদুনা বোল ৮১ মায়োক্লবদা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৮ য়ৈরল্লগা রন ১০০ দা আওট ওইখি।

৫শুবা বেটসমেন এমএস ধোনিসু ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদুদা রন ২৩ হাপচিনবা ঙমখি। কেদর জাদব অমসুং রবিন্দ্র জাদেজনা আওট ওইদনা মথংশিংনা রন ১৬ অমসুং ৭ লৌবা ঙমখিবদগী ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু ৱিকেট ৫ তুরগা রন ৩৭৭ লৌখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাক্লবগী রন ৩৭৮ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ৩৭শুবা ওভরগী ২শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৫৩ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা রন ২২৪ দা মায় পাকখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস অদু হৌরকপা ফিভম শোকখি। ৭শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা টিম অসিগী কেপ্টেন জেসন হোল্ডরনা আওট ওইদনা রন ৫৪ লৌরম্বা অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটসমেনশিং রন ২০ য়ৌবা ঙমখিদে।

ইন্দিয়াগী বোল্লর কুলদিপ যাদব অমসুং খালিল অহমদনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন ৩ / ৩ আওট তাহনবা ঙমখি।

## ইটালিগী সেরি এ ফুটবোলদা মিলাননা সাম্পদোরিয়াবু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইখ্রে, নাপোলি অমসুং রোমা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে



*রোম, ওক্টোবর ২৯ঃ*

ইটালিদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ১০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মিলাননা সাম্পদোরিবু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা ১০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নাপোলি অমসুং রোমা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

মিলান অমসুং সাম্পদোরিনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা লম্বা মান্নখ্রবসু ১৭শুবা মিনটতা মিলানগী শান্নরোই পেত্রিক কুট্রোননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। ২১শুবা মিনটতা সাম্পদোরিয়াগী শান্নরোই রিকার্দো সাপোনারানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইহনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩১শুবা মিনটতা সাম্পদোরিয়াগী শান্নরোই ফাবিও ক্বাগ্লিয়ারেল্লানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থারবা মতুং ৩৬শুবা মিনটতা মিলানগী শান্নরোই গোঞ্জালো হিগ্বাননা পাঞ্জল অমা অমুক হন্দোক্লুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা পাঞ্জল ২–২ দা মান্নখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬২শুবা মিনটতা মিলানগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সুসোনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৩–২ দা মায় পাকখি।

সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা ১০শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা নাপোলি অমসুং রোমা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি। শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা রোমাগী শান্নরোই ষ্টেফান ইল সারাৱিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং মেটচকী অরোইবা মিনটতা নাপোলিগী শান্নরোই দ্রাইজ মার্টেন্সনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ১–১ দা দ্রো চৎখি।

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা বার্সেলোনানা রিয়েল মাদ্রিদপু পাঞ্জল ৫–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা বার্সেলোনাগী শান্নরোই লুই স্বারেজনা হেটট্রিক পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মহাক্না শান্নবগী ৩০, ৭৫ অমসুং ৮৩শুবা মিনটতা পাঞ্জল অহুম চনবা ঙমখি।

লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা সিভিলানা এসদি হুৱেস্কাবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইখি। অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদে।

শান্নবগী ৬৫ অমসুং ৭৮শুবা মিনটতা সিভিলাগী শান্নরোই পাব্লো সারাবিয়ানা পাঞ্জল অনী চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী অরোইবা মিনটতা হুৱেস্কাগী শান্নরোই জোর্জ পুলিদোনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু মখোয় পাঞ্জল ১–২ দা মায়থিখি।